কুগী লৈতেং ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল) গী ১৭৫শুবা *কুগী লৈতেং* হায়না মীংথোনবা খুন্দ্রাকপম রাধেশ্যামনা ইবা লাইরিক অমা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবদা কোলোইপাল হায় স্কুল খুম্বোংদা ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা এল তোলপিশক, ডা. এল শশিকুমার য়ুরেম্বম প্রসিদেন্ট নোহাকোল অমদি কে ঐচ শ্যামকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি হায়না নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. আই এস য়ূম্নাম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়াওনীংবশিং কৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ফ্রী এদভান্স ইন্টিগ্রেটেদ ওন্ত্রপ্রেন্যুরসিপ দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এ আই ঈ দি পি) দা শরুক য়ানীংবা থবক ফংদ্রিবা নহা অমসুং কেন্দিদেটশিংনা ফেসন দিজাইনিং, ফুদ প্রোসেসিং, কেন্দল মেকিং অমসুং লেদর বেগ মেকিংনচিংবদা শরুক য়ানবগীদমক্তা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি। এন এস আই সী লিমিটেদকী সব ওফিস ইম্ফালগী মেনেজর এল ইবেতোম্বী (৮৭৯৪৩৬২৩২৫, ৭০৮৫২২৯৯৯১) নৎত্রগা গুৱাহাটিগী এস প্রেমকুমারদগী অকূপ্পা মরোলশিং খঙবা য়াগনি হায়রি।

কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি ককচীংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেলদি বেবি শো কম্পিটিসন থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১১ তাবদা সী ঐচ সী ককচীংদা পাঙথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি ককচীংগী সী এম ও/দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্টর ডা. এম জয়কন্তকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। হেলদি বেবি শো অসি কেটেগোরি ৩ থোক্লা কেটেগোরি এদা থা ৬তগী ১১ ফাওবগী অঙাংশিং, কেটেগোরি বিদা থা ১২দগী ২৩ ফাওবগী অঙাংশিং অমসুং কেটেগোরি সীদা থা ২৪দগী ৩৫ ফাওবগী অঙাংশিংগী মরক্তা অথোই অহেন তান্নগনি। কেটেগোরি খুদিংমক্কী ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমসুং থর্দ তারবা অঙাংশিংদা শেলগী মনা মথংশিংনা লুপা লিশীং ৩, ২ অমসুং ১ পীগনি। অকূপ্পা মরোল আশা/এ দল্লিয়ু দল্লিয়ুশিং অমসুং ওফিস অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

মেত্রিক এগজাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসন ২০১৯ মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ২০দগী মার্চ ১৮ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি। একজামিনেসন অসিগী মরী লৈবা প্রোগ্রাম মতুংদা লাউথোক্কনি হায়না বোসেমগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিলদগী চৎনবা হৌখ্রবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা অৱাং সেকমাইগী রেসন কার্দ ফংলগা চেঙদি হৌজিক ফাওবা ফংদ্রিবশিং অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা চেঙ ফংহন্দ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না প্রোগ্রেসিব য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন অৱাং সেকমাই বজারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী ৭শুবা ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী তরেৎশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা কম্মিসন অসিগী ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

রিভিজিটিং এন্দ এক্সপ্লোরিং মোর ফোর জষ্টিশ টু চিলদ্রেন হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপার্সন এম বিনোতা, ৱাটর রিছোর্সেস এন্দ মাইনর ইরিগেসনগী সেক্রেটরি জসিন্থা লজারস অমসুং এম সী পি সী আরগী চেয়রপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজম্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন্না হায়খি, লমদম অসিগী অঙাংশিংগী বেসিক ফন্দামেন্টেল রাইট অদু ঙাক শেনবগা লোয়ননা ফগৎহন্নবা অমদি মপূং ফানা মোনিটরিং তৌনবা অমদি অনৌবা গাইদ লাইন পোলিসি কয়া পুথোক্লবা থোইদোক হেন্দোক্লা চাইল্ড রাইটসকী লোশিংগী মরমদা মীয়ামদা মপূং ফানা খঙহন্নবা পাক্তক্লনা এৱেয়রনেস পীবা তঙাইফদে। ঙসি অসি মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না মরুওইবা নুমিৎ অমনি হায়নীংই। মরমদি নুমিৎ অসিদা অঙাংশিংগী রাইটকীদমক ষ্টেটোটুরি বোদি অমা ওইরিবা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর) লীংখৎখিবনি।

খ্বাইদগী মরুওইনা চাইল্ড রাইট ভাইওলেসন তৌরকপদা লো কোর্টতা কেস তৌবগী অৱাবা অদু কোকহন্নবা শেল অমসুং মতম চঙদনা অথুবা মতমদা ভিক্টিম ওইরিবা অঙাংশিংবু ত্রায়ল চথুদুনা অঙাংশিংদা জষ্টিশ পীনবা হোৎনবনি।

মণিপুর অসি নোংমদি শোয়দনা চাইল্ড ফ্রেন্দলি ষ্টেট অমা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। কম্মিসন অসিনা মরীক চুম্না মশাগী জুরিসদিক্সন অমদি পৱার মনুংদা পাস তৌবদা মরী লৈনবা পুলিস দিপার্টমেন্ট, স্কুলশিং অমদি লন্নাই মীওইশিংনা নীংথিনা মতেং পাংবিরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। কম্মিসন অসিনা শুপ্নগী রিকমেন্দেসন তৌবখক্তা নত্তনা কম্মিসন অসিনা রিকমেন্দ তৌরকপা কয়া অদু ওর্নর তৌবীগদবনি। হৌজিক মণিপুরদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা ৱাথোক লান্থোক অমদি মীশি মীনা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্লবা গভর্ণমেন্ট অমসুং এন জি ওশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা লাক্লি।

অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা কম্মিসন অসিনা মতম চানা অচুম্বা খোঙথাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি অমদি মতুংদসু অসিগুম্বা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবসু থল্লি। কম্মিসন অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা কখোকপগা লোয়ননা মতিক চাবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎলক্কনি হায়নসু থাজে। কম্মিসন অসিনা মতম মতমগী ওইনা থেংনবা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক মতাং মতম চানা খঙহনবীদুনা সোল্ব তৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা কম্মিসন অসিগী চেয়রপার্সন সুমতিবালা নিংথৌজম্না হায়খি, মণিপুরদা থোক্লিবা অঙাংগী ইস্যুশিং মরুওইনা চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা থোক্লিবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবনি।

থৌরম অদুদা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী ও সী নোংথোম্বম জোন অমসুং কম্মিসন অসিগী মেম্বর কৈশাম প্রদিপসু ৱা ঙাঙখি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ইম্পেক্ট টি ভিগী ভিদিও এদিটর, ফোটো জর্নেলিষ্ট ওইনা থৌদাং য়ারম্বা ককচীংতাবম বিপিনচন্দ্রনা লৈখিদবদা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লোক জনশক্তি পার্টি মণিপুর ষ্টেটকী ৱাঙাঙলোই এন ইবোহলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা অচংবা পাউমী অমনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা হায়বসি মণিপুরগী ঈ পাউগী লম্দা চাউনা মাঙজবদা নত্তনা মেনশিনবা ঙমদনা অদুমক হাংদুনা লৈহৌরগনি। পাউমী বিপিনচন্দ্রনা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু পার্টি অসিনা শরুক য়ারি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেলনা তাইবঙ শেম্বা মপূগী নাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

তেংবাঙ পীথোকপীদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কুমজা ২০১৭কী জুলাই ২দা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওদা অৱাবা তাখিবা লিলোং হাওরৈবি অৱাং লৈকায়দা ঈশিং কায়বদা খুদোংথিবা নংখ্রবা মীওইশিংদা গভর্ণমেন্টকী শেন্থং পীবিগনি হায়না অধার নম্বর অমদি ফোটোনচিংবা থাগৎহনখ্রবসু লৈঙাক্না পীবিবা শেন্থংদি মীয়ামদা ফংহনবীদ্রে হায়না কংলৈপাক য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি ফাকুরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ফাওবা অৱাবা নংখ্রবা মীয়ামদা শেলগী তেংবাঙ ফংহনবীদ্রি। হীরম অসিদা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা মীওইশিংনা থিগৎপীদুনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতেং পীবিনবসু ফোঙদোরক্লি।

গুরু সিংহজিৎপু তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন থিএটর এসোসিএসন অমসুং ইন্দিয়ন সোসাইটি ফোর কলচরেল কো ওপরেসন এন্দ ফ্রেন্দসিপকী অপূনবা মীফম অমা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তাবদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা টেগোর ইন্টরনেসনল এৱার্দ ফোর কলচরেল হারমোনি ২০১৪ ফংলকখ্রবা মণিপুরী জগোয়গী শক্লাইরবা স্কোলর গুরু সিংহজিৎস্নাবু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ন থিএটর এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, এৱার্দ অসি ফংবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মনুংদা গুরু সিংহজিৎনা অহুমশুবনি। এৱার্দ অসি ইহান হান্না পন্দিট রবিসঙ্করনা ফংখ্রে। অনীশুবনা জাবেল মহেতানি।

মীফম অসিনা মণিপুরগী থাংমৈবন্দ বর সেনাপতি ময়ূমগী কোল্লুপ্তা পোকখিবা কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তা শারেপ কাংদোং ফারকপা মতমদগী মণিপুরী নট সঙ্কিত্তনগী পুঙ য়ৈবগী শিনফমদা খোঙদাদুনা মণিপুরী তালগী মপূং ফাবা মহৈ ফংবগা লোয়ননা মণিপুরী জগোয়গী গুরু মাইস্নাম অমুবী পদ্মশ্রীনচিংবদগী মণিপুরী জগোয়গী মহৈ ফংলবা মতুং ন্যু দিল্লিগী ত্রিবেনি কলা সঙ্গমদা মণিপুরী জগোয়গী গুরু ওইনা জগোয় শাবা ওইনা লৈদুনা ত্রিবেনি কলা সঙ্গম মণিপুর বেলে য়ুনিটকী কোরিওগ্রাফর অমসুং দিরেক্টর ওইনা মণিপুরী জগোয় অমদি নাৎকা লোয়নবা পার্ফোমিং আর্টনা লোল ওইদুনা শেম্বা বেলে কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরবু শক্তাকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি মহিংদা তংদু লৈতানা মালেমদা লৈনবা পাউজেল শন্দোক্লিবা অদুবু শকখঙবীদুনা এৱার্দ অসি পীরকপদা মীফম অদুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টর করাম শ্যামনা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিএটিভ দিরেক্টরস হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): থিএটর সেন্তর মণিপুরনা শীন্দুনা ৪৯শুবা সোর্ট প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিএটিভ দিরেক্টরস ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম ঙসি য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রেভেন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা করাম শ্যামনা হায়খি, মীওইবা হায়বা অসিনা পোকপদগী শিবা ফাওবদা কলা সংস্কৃটি হায়বসি লোয়নরগা চৎলি। মণিপুরগী লৈরিবা আর্ট এন্দ কলচর অসি লৈঙাক্না মীরাইবিরে হায়বসি ঐহাক ইশাসু য়াজে। হান্না খঙলমদ্রবসু মিনিষ্টর ওইরবা মতমদা খঙলমদবা কয়া অদু উরে। ঐখোয়বু মশক তাক্লিবা আর্ট এন্দ কলচর অসি য়েংশিনবীনবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জবদি লৈখ্রে।

দ্রামা হায়বসি পুং অমা অনীগী মনুংদা শান্নবা প্লেনি। ক্রিএটিভ ওইবা দিরেক্টরশিংনা তেনখ্রবা মতম অসিদা মীয়ামদা খঙহল্লিবনি অমসুং উহল্লিবনি। খুন্নাই অসিগী মায়ওনসু দ্রামানা পীরিবনি। দ্রামা অসি আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবনা চীফ মিনিষ্টরদা মমুৎ তানা অমুক্তংদি খঙহন্নবা হোৎনগনি। খুন্নাই অসিদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসিদা ঙাওরিবসি দ্রামা আর্টিষ্ট ঙাক্তনি। ঐহাক্না অঙম্বা মতেং পাংজবগা লোয়ননা তৌবা য়াবা কয়াসু তৌজগে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা থিএটর সেন্তরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নব পদ্মশ্রীনা হায়খি, থিএটর সেন্তর লীংখৎতুনা ৪৯শুবা থৌরম পাঙথোকপা ঙল্লিবসি মণিপুর ইমাগী তম্পাক্তা লায়রবা লমদমসিগীদমক্তা কৎথোকচরকপা আর্টিষ্টশিং ওইবদগীনি। লায়রবদা হৈনরবা হৈনরবী ঙাক্তা ওইবদগীনি। মরমদমগী করিগুম্বা খরদি তৌজনীংবা, থিএটরগী কখোল্লবা আর্টিষ্ট ঙাক্তনি। মরম অদুনা মখোয়বু য়োকখৎপীবা চঙই। তুংলমচৎকীদমক খল্লগা হোৎনমিন্নসি অমসুং পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই, পূন্দ্রবদি য়ারোই। থিএটর তৌজরিবা ঐখোয়গী মরক্তা অৱাৎপা অমদি লৈরি। অৱাৎপসি পূনশিন্নদবা, তিন্নবা য়াদবা অসিনা ওইরে। থিএটর তৌরিবা মীওই অমগা অতোপ্পা থিএটর তৌরিবা মীওই অমগা খানরিবা শম্বলশিং অসি লৌথোক্লবদি চাওখৎপা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা ক্রিএটিভ দিরেক্টরশিংগী সোর্ট প্লে কম্পিটিসন অসিদা চীংগী কাঙলূপশিং য়াওনা পূন্না গ্রুপ ১২না শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা কোস্মোপোলিটান দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *নিংঙোল চাক্কৌবা* প্লে উৎতুনা কম্পিটিসন অসি হৌদোকখি। কম্পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা ভোচর অমসু ফোঙখি।

সিলচরদা ইমোইনু ফুদ হট শঙ্গাখ্রে

সিলচর, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী নাৎকী ওইবা অশেংবা ভেজিটেরিয়ান চিঞ্জাকশিং ফংহগদৌরিবা ইমোইনু ফুদ হট ঙসি অসামগী সিলচরগী পার্ক রোদতা লৈবা অসাম সাহিত্য সভা বিল্ডিংগী অনীশুবা মথোলদা হাংদোকখ্রে।

ইমোইনু ফুদ হট হাংদোকপগী রিবন অদু ভেটরান সোসল এক্টিভিষ্ট সাইখোম কমলাকান্তনা ককখি অমদি থৌরম অদুদা ইমোইনু ফুদ হটকী মপূ বাবাস্না সিংহা অমসুং অতোপ্পা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা ইমোইনু ফুদ হটকী মপূ বাবাস্নানা হায়খি, সিলচরদা মণিপুরীশিংগী ওইবা মথেল লুকোয়শিংগী হট অমা হাংদোকপা অসিনা মণিপুরীশিংগী নাৎকী ওইবা চিঞ্জাকশিং সিলচরগী মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা ফংবা ঙম্লগনি। ইম্ফালদগী সিলচরদা লাকপা টুরিষ্টশিংনসু হায়রিবা মফম অসিদা পোত্থানবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি হায়খি। থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট, একাদেমিসি-য়ন, ৱিমেন এক্টিভিষ্ট অমদি মহৈরোয় লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ষ্ট্রিট লেম্প থানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা মশামক্না অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা ষ্ট্রিট লেম্প থানবগী থৌরম অরাপতি মমাঙ লৈকায় য়ুথ ক্লবকা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে।

অরাপতি মমাঙ লৈকায় য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরি কোন্সম প্রিয়োকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অরাপতি মমাঙ লৈকায়গী কিলোমিটর ২ রোম্না কোল্লিবা মফমশিংদা ষ্ট্রিট লেম্প থানবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরম্বা অদু এম এল এনা ষ্ট্রিট লেম্প থানবীবগীদমক্তসু ক্লব অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অম্বেদকর এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ডাক্তর অম্বেদকরগী ১২৭শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি দেল্লিগী ৩৪শুবা নেসনল কনফরেন্সতা শক্লাইরবা থোইদোক হেন্দোকপা লম্ কয়াদা কৎথোক্লবা মীওইশিংদা মনা মথুম লান্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অখন্নবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী ওইনা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমদা অম্বেদকর দিষ্টিঙ্গ্যুজ নেসনল এৱার্দ ২০১৮ খূৎশিন্নগনি। অতৈ ফেলোসিপ এৱার্দ ফংগদবশিংদি ডা. খোংবানতাবম কামিনিকুমার বাবু, ডা. নিরমালা রাজকুমারি, রাজকুমার শামুঙৌ, য়ূম্নাম নেপোলিয়ন, কাঙবম বরমনি, ওক্রম বসন্ত, ব্রিন্দাশখি, থোকচোম রামেশ্বর, য়ূম্নাম জয়, লাইশ্রম নোবিন, মোইরাংথেম মলয়া, খোগেন অমসুং ঙাথেম বিশ্বরজিৎনি হায়রি। মনাশিং অসি অম্বেদকর ওদিটোরিয়ম পঞ্চসিলা আশ্রম ন্যু দিল্লিদা লাক্লিবা দিসেম্বর ৯দা য়েন্থোক্কনি অমদি মনা ফংগদবশিং দিসেম্বর ৭তা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মহারাষ্ট্রদা অভনি হায়না মীংথোনবী কৈ অমোম অমা হাৎখিবগী ৱাথোক্তা মালেম পূম্বনা য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিনবগী শরুক অমা ওইনা পিপল ফোর এনিমেল মণিপুরনা য়েনিং এনিমেল ফাউন্দেসন, য়ুনিক ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন কম্মিটি, ভেটিরিনরি ডোক্তরশিং অমসুং ষ্টেট অসিগী ৱাইল্ড লাইফ ফোটোগ্রাফরশিংগা পূন্না ঙরাং কংলাগী নোর্দন গেটতা পূন্দুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুনা শকখঙদবা শাদানবশিংনা রেদিও/জি পি এস টেগ তৌরবা মণিপুরগী অমুর ফেলকোন অমা হাৎখিবদুগা মরী লৈননা মরাল লৈবশিং ফাদুনা চৈরাক পীনবা স্লোগান কয়াসু লাউখি হায়না পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরগী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বাজিৎ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এম দি য়ুগী মনা-মথুম ফংলকখ্রবশিংবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু) না শীন্দুনা ইন্টরনেসনল, নেসনল অমসুং ষ্টেটকী মনা ফংলকখ্রবা আর্টিষ্ট অমসুং সোসল ৱার্করশিংবু ওকপগী থৌরম অমা ঙরাং য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কুমজা ২০১৮গী নাত্য ভুষন সাহিত্য পরিষদ এৱার্দ ফংলকখ্রবা এস কেসোরাম, আর কে জয়স্না ইন্টরনেসনল দলিট সাহিত্য কনফরেন্স বেঙ্কোক্তা ইন্দো থাইলেন্দ ফ্রেন্দসিপ ইন্টরনেসনল এৱার্দ ফংলকখ্রবা, ডা. কমল নীংশিং মনা ফংলকখ্রবা ডা. এ কলাচান্দ অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিশ এন্দ এম্পৱারমেন্টকী এৱার্দ ফংলকখ্রবা অমরেন্দ্র শর্ম্মবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা খুদোল পোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা আর্টিষ্টশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি উরিষাগী কটক্তা পাঙথোকখিবা ২৬শুবা ওল ইন্দিয়া মল্টি লেঙ্গুএল দ্রামা কম্পিটিসন ২০১৮দা শরুক য়ারুবা এম দি য়ুগী দ্রামা *পোক্ত্রিভৈদা শিজগে*না ওভরওল বেষ্ট প্রদক্সন য়ুনিট, নেসনল এক্সিলেন্সি এৱার্দ ২০১৮, বেষ্ট কো এক্ট্রেস অহুম, সেকেন্দ বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর, বেষ্ট এক্ট, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট অমসুং বেষ্ট দিরেক্টরগী মনা ফংলকপবু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা খুদোল পোৎ তমখি।

থৌরম অদুদা এম দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি পি সেটুনা হায়খি, মণিপুর অমসুং এম দি য়ুগী ওইনা পুথোকচরিবা প্লে অসিনা মায় পাকপা পুরকপা অসি চাউথোকচনীংঙাইনি অমসুং দ্রামা অসিগী থৱায় হাপ্লিবা আর্টিসশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

থৌরম অদুদা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট এ ক্ষিরগোপালসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী অরোইবদা এম দি য়ুগী অনৌবা খুদোল ওইনা পুথোকপা *ইধৌগী লুহোংবা* হায়না মীংথোনবা দ্রামা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

প্লে অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদি ইধৌগী শক্তম লৌরিবা কুঞ্জবাবুগী মচা-মশু ৱাত্তনা লৈ। ৱাৎলিবা হায়রবু মাগী নুপীদনি। মরল-মথুম ৱাত্তবা ইধৌগী মরলনা মচা মশুশিং অদু নুংঙাইনা হিংলবসু শেন্দোয় চাবা মধৌগী থৌগলদা অৱাৎপা লৈরিবা অদু শেন্দোন শিংবা ঙমদবী নুপী অমনা থৌগল তৌজখিবগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবনি।

দ্রামা অসিগী অইবনা রাজমনি অয়েকপম, দিরেক্টরনা অথোকপম খোলচন্দ্র, তন্বীবদা তেংবাঙবনা এল মিলননি। প্লে অসিগী শক্তম লাংখিবশিংদি লাইশ্রম বিপিন, লাইময়ূম মিলন, খুন্দাংবম উনবা মীতৈ, ৱাইরোকপম বুধি, চনম ইনাওবী, পাথৌ অঙোমচা, চীংলেম্বা মোইরাংচা, অহন্থেম দেবাকর অমসুং ইরুংবম সনাতোম্বনি। শক্তম লাংখিবী নুপীশিংনা ইঙুদম সুন্দরি, থাংজম মঞ্জিতা, থাংজম সালিনি, মঙাল্লেমা হিজম, সোরোকখাইবম সঙ্গিতা অমসুং তোংব্রম জেনিবালানি।

সোরাদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): ফৎত্রবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী থাদোক্লগা এদ্যুকেসন চাওখৎনবা হোৎনরসি হায়না ঙসি অল ফিকর ইন্টরনেসনল স্কুল সোরাগী মহৈরোয়শিংনা রেল্লি চৎখ্রে।

অল ফিকর ইন্টরনেসনল স্কুল সোরানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী থাপথোক্লগা মহৈ-মশীন্দা চাওখৎনবা হোৎনরসি হায়বা পান্দমদা রেল্লি অদু চৎখিবনি। রেল্লি অদু সোরা ময়ায় স্কুল মমাঙদগী হৌরগা সোরা মখা জামিয়া রাহমানিয়া রোদ ফাওরগা হায়ৱে তারক্লগা অমুক সোরা কৈথেল ফাওদুনা চৎলগা সোরা মমাঙ প্লে গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইখি।

রেল্লি অসিদা য়ুনাইটেদ কাউন্সিল ওফ সোরাগী এম এল জুলফিকর অল সেখনা লমথাখি অমদি মহম্মদ জিয়াউল হক সোসল ৱার্কর মহম্মদ ফিরোজ খান, মহম্মদ বসির খান, মহম্মদ রহিস বাসি অমদি স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ইন চার্জ মহম্মদ অবদুল সতারনচিংবনা শরুক য়াখি।

রেল্লি অসি মপূং ফাহনখিবগা লোয়ননা হকচাং ফবা পুন্সিরোল অমা ওইহন্নবা ফত্তবা ৱাখল্লোন, ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী থাপতোক্তুনা তিঙ্গং কায়জংদবা হকচাং ওইহল্লসি হায়বগী পান্দমদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা গেমস অমসুং স্পোর্টসকী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। মহৈ-মশীন্দা পূক্নিং চঙবগা লোয়ননা এদ্যুকেসন চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

সী এমগা য়ানখিবা ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপীয়ু : এ এম এম য়ু সী ও

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর মুসলিম (মীতৈ পাঙল) শিংগী ওর্গেনাইজেসন অমা ওইরিবা ওল মণিপুর মুসলিম য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গেনাইজেসন (এ এম এম য়ু সী ও) না দিমান্দ ৯ লৈঙাক্তা তানবগী মনুংদা দিমান্দ ৫ খক থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্লগা লেমহৌরিবা দিমান্দশিং অদু কোন্না অমুক খন্নসি হায়না দিমান্দ ৫ দি চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা চীফ মিনিষ্টরগা ওর্গেনাইজেসনগী মীহুৎশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা য়ানখ্রে হায়রি।

এ এম এম য়ু সী ওগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি অবদুল কয়ুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চীফ মিনিষ্টরগা য়ানখিবা পোইন্ট ৫গী মনুংদা মীতৈ পাঙলগী মার্কেট অমা অথুবদা শারগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা ফঙ্কসনশিংদা অমদি মার্কেটশিং শঙ্গাবদা লাউথোকখিববু ওর্গেনাইজেসন অসিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম য়ু সী ওগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা য়ানখিবা ৱারোলশিং অদুদি মফম চাবা অমা য়েংলগা কৈথেল অমা শাবা, লিলোং হাওরৈবি কোলেজ পোষ্ট গ্রেজুয়েটকী থাক্তা ওন্থোকপা, ওল ইন্দিয়া রেদিও অমসুং দি দি কেদা ফুরুপ খুদিংমক্কী নুংতিগী শন্দোক্লিবা প্রোগ্রামশিংদা মীতৈ পাঙলশিংগী ওইবা প্রোগ্রাম নুমিৎ খুদিংগী শন্দোকহনবা, মণিপুরী য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা মীতৈ পাঙলশিংতগী ওইবা দিপার্টমেন্ট অমা থম্বা অমসুং নুপী লালদা শরুক য়াখিবা মীতৈ পাঙলগী মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি নুপী লাল কম্মিটিনা মমিং পনবদা য়াওহৌদবা ইমাশিং অদুগী মোনুমেন্ট অমা য়াওনা মমিংশিং য়াওহনবা অসিনচিংবনি।

লেমহৌরিবা পোইন্ট ৫ অদুগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক মীতৈ পাঙলদা রিজার্ভেসন অসি মণিপুরী মীতৈ পাঙলগী মশীং অসিগা চানদ্রে। মরম অদুনা খরা হেনগৎপীনবা তকশিনবা অদুবু বি জে পি লৈঙাক অসি কুইদ্রিবনিনা অমুক কোন্না খন্নরসি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা এ এম এম য়ু সী ওনা ফোঙদোরকপদা এ এম এম য়ু সী ওগা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা য়ানখিবা ৱাফমশিং অথুবা মতমদা থবক ওইনা ওন্থোকপীবা, থবক চঙবাখক্তদা রিজার্ভেসন পীবগী মহুত্তা এদ্যুকেসন সেক্তরদা লাইন ওফ প্রমোসন্দা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিং, নন গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়শিংদা রিজার্ভেসন থম্বনি হায়রি।

দিপার্টমেন্টশিংদা থবক কৌবদা অমুক ১৫ অমুক্না ৭ খরা কৌবগী মহুত্তা অমুক্তদা থবক কৌবগী নোটিশ থোকপীয়ু মদু নৎত্রগদি মীতৈ পাঙলদা রিজাভেসনগী পীবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়না এ এম এম য়ু সী ওনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংদা ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম য়ু সী ওগী মীহুৎশিং অমদি চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা মীতৈ পাঙল মীহুৎশিংগা য়ানখিবা পোইন্ট ৫ অদু অথুবদা থবক ওইনা ওন্থোকপীনবা এ এম এম য়ু সী ওনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ওর্গেনাইজেসন অসিগী মীহুৎ কাঙবু অমগা লোয়ননা অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টরগা হকথেংননা উদুনা য়ানখিবা ৱাফম অদু অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্লবা তকশিল্লগনি হায়রি।

জিম্পালগী ১৬ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী ১৬ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম থা অসিগী ১০দা লুপ অসিগী ময়াই লোয়শঙদা অয়ুক্কী পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট হুইরেম ওংবী মেম্মনা ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা হুইরেম মেম্মা, য়ু সী এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী সেক্রেটরি বি এম য়াইমা শাহ, জি দি ওগী এদভাইজর মুতুম হেমন্ত অমদি দিবোং জি পিগী প্রধান আর কে নেকিস্নানচিংবনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা মুতুম হেমন্তনা জিরিবামদা লৈমিন্নরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্না নুংশি চান্নবা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা ইংনা চিক্না, তংদু লৈতাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনবা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি। চীফ গেষ্ট ওইখিবা বি এম য়াইমা শাহনা হায়, জিরিবামদা লৈরিবা সী এস ওশিংনা লৌরিবা থৌদাং য়াম্না চাওই। জিম্পালনা চহী ১৬ মপুং ফারক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী থৌগায়শিং পুরক্লিবা অসি তরায় তরায়বা নত্তে। জিরিবামগীদা নত্তনা ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম কয়াদসু জিরিগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা লাক্লি হায়খি। জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী ১৬ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম অদুদা লমদম অদুগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা লৌমীগী রেল্লি চৎকনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৌমী মরুপকী ঙরাং ফমখিবা মীফমদা থা অসিগী ২৯ অমসুং ৩০দা ওল ইন্দিয়া কিষান সভা অমসুং ওল ইন্দিয়া কিষান সঙ্গথন কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা পূন্না শীন্দুনা পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা চৎকদবা লৌমীগী রেল্লিদা মণিপুর লৌমী লূপসু শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

মণিপুর লৌমী লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৌমী লাক্ষ কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎকদৌরিবা রেল্লি অসিদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক ২ হেনগৎহনগনি হায়রগা হার, মরূ-মরাং অমদি লৌ উবদা চঙবা খূৎশুখূৎলায় অমদি ঈথৈ লৌখোংগী মমাঙগী লৈঙাক্না থাদরকপা শেনফমদগী ককথরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা লোয়ননা লৌমীদা তোনবা লোন কোক-থোকউ, চহী ৬০ শুরবা লৌমীশিংদা কিষান পেন্সন ফংহল্লু, ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট মপূং ফানা চৎনহল্লু, এম জি এন আর ঈ জি এস মপূং ফানা থবক পায়খৎলু, ইথাই দাম লৌথোকউ হায়বনচিংবা দিমান্দশিং অসি পুখৎতুনা দেল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট মমাঙদা চৎকদৌরিবা লৌমীশিংগী রেল্লিদা মণিপুর লৌমী লূপসু শরুক য়ানবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

Class Commencing from 20th Nov. 2018

MEEYO COACHING CENTRE (MCC)
Sega Road Konjeng Hazari Leikai (Opp. Sangai Express)

ADMISSION OPEN

REVISION COURSE
FOR CLASS X and XII Sc. and Arts (CBSE)
Class XII (COHSEM)

SPECIAL FEATURES
1. Well experienced faculties from the reputed Institutions.
2. Chapterwise test
3. Special grand Mock test
4. Providing probable questions and answers.

CLASS TIMING
Morning Shift 5.30 to 7.30
Evening Shift 3.30 to 5.30

HL-B/4969/6-16Nov.

For more details, Pliz Contact ☎ 7627982316 / 7005025873

ADMISSION OPEN

ENGLISH COACHING

For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]

At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/3661/7/11-9/12